# অৱাং নোংপোক্কী ফ্রিদম ফাইটর ১০দা সেন্টরনা ইকায় খুম্নবা উৎকদৌরি



*ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ১৪ঃ*
অৱাং নোংপোক্কী নিং-খা তম্বগী লান্‌ফমদা শরুক য়াখিবা নুপী অহুম য়াওনা মীওই কয়া ইনি দয়াগী লেমহৌরিবা ষ্টেটশিংনা মশক খঙদনা লৈরি। অদুগুম্বা মীওইশিং অদু ৭০শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরমগা মরী লৈননা ইকায় খুম্নগদৌরি।

এন দি এ লৈঙাক্না নিং-খা তম্বগী লান্‌ফমদা নীংশিংবিদ্রবা মীওইশিংগী পোক্নফম লমদমশিংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং চৎননবা খঙহনখ্রে। অদুগুম্বা থৌনা ফারবা নিং-তম্বগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিং অদুগী লৈফমশিংদা চৎপা তাঙইফদে।

কনক লতা বরুৱা ১৭ বৃটিস লান্মীনা অসামগী গোপুরদা বৃটিসশিংনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি। মীওই অদুনা জাতিগী ফিরাল চীংখৎনবা হোৎরিঙৈদা খুদোংথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

নুমিৎ অদুমক্তদা কিলোমিটর ১৫০ রোম চৎলগা লৈবা বরহাম্পুরগী মনুং চনবা নগাওন দিষ্ট্রিক্টতা মতম অদুগী বৃটিস লৈঙাক্না চহী ৫৭শুরবী নুপী অমা য়াওনা নহা ওইবা মীওই কয়া হাৎখিবা লৈখি।

কনক তলানা লুচিংবা খূৎলায় পায়দবা খুঞ্জাশিং অদুনা মহাত্মা গান্ধিগী ইন্দিয়া থাদোকউ হায়বা খোঙজংদা শরুক য়াখিবগীদমক কোহাপুরগা নক্কনা লৈবা বোরঙ্গাবারিদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি।

ভোগেশ্বরী অমসুং মহাক্কী লোয়নবা রতনা মালানা লুচিংদুনা বরহম্পুরদা মীয়ামগী ওইবা খোঙজং চংশিনখি। মতম অদুগী পুলিস ওফিসারশিংনা মায়োক্নুনা থেংনখি।

ভোগেশ্বরীনা মতম অদুদা বৃটিসকী লান্মীশিংনা জাতিগী ফিরাল চীংথবা উখি। শাখিবা মওংদা কেপটেন্ট অমনা ভোগেশ্বরীদা রিভোলভর শৎতোক্তুনা কাপশিনখি। মহাক অশোকপা অদুনা মরম ওইদুনা লৈখিদে।

রানিমা বৃটিসকী লৈঙাক মতমদা হকথেংননা খোঙজং চংশিনখিবা লুচিংবী অমনি। মহাক চহী ১৪ ফাদুনা জেলদা থমজিনখি। ইনিদয়ানা ইং ১৯৫৭তা নিং-খা তম্বা ফংখ্রবা মতুং অসামদা নিং-তম্বগী খোঙজং চংশিল্লকপা লৈখ্রে।

খোঙজং অদু চংশিনখিবা কুসাল কোনৱার ইং ১৯৪২দা গোলঘাটতা ফাঁসি তৌদুনা হাৎখি হায়রি।

# দিমোক্রেটিক রিপাব্লিক ওফ কোঙ্গোদা হিংশা থোকপদগী মীওই ৩০ শিরে



*কিনশাসা, আগষ্ট ১৪ঃ*
দিমোক্রেটিক রিপাব্লীক ওফ কোঙ্গোগী নোংপোক থংবা শরুক্তা থোকখিবা হিংশাগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ৩০ শীহনখ্রে।

লমদম অদুদা ইং ২০১৪দগী কাংলুপকী ওইবা হিংশা কয়া থোক্লি। আই এস আই এসকা শম্নবনি হায়বা এলাইট দিমোক্রেটিক ফোর্সনি চীংনবশিংনা মীওইশিং অদু শীহনখিবনি হায়না মকঅজুরেনা ঙরাং নুমিদাং দেনি সহরদা ফোঙদোকখ্রে।

লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী হকচাংশিং ফংবা ঙম্রে। বেনি অৱাং থংবা কিভুলগী মনুং চন্না লৈবনি। হায়রিবা প্রোভিন্স অদুদা মতম কয়াগী মমাঙদগী এলাইট দিমোক্রেটিক ফোর্সনা এটেক চখদুনা লাকখি।

ইং ২০১৪গী ওক্টোবর থাদা মীচম ১৬ য়াওনা মীওই কয়া হাৎখিবা লৈখি। লৈবাক অদুগী নোংপোক থংবা শরুক্তা চহী ২০গী মমাঙদগী এলাইট দিমোক্রেটিক ফোর্সনা মীওইবগী হক খোঙ্গাওনবগী থৌওং কয়া চখরি।

লমদম অদুদা ফোর্স অদুনা মী ফাবা, হুরানপোৎ লল্লোনবনচিংবা মখল মখাগী থবকশিং চখরি। মদুনা মরম ওইরগা লমদম অদুদা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমা থোকহল্লে।

অৱাং থংবা কিভুদা খূৎলায় পায়বা লালহৌলুপ কয়া এক্টিভ ওইনা লৈরি। লৈঙাক্কী লান্মীনা মীচমশিংগী পুন্সি ঙাকপা ঙমদ্রে হায়বগী মরাল শীরকখিবা কয়াসু লৈরি।

দিমোক্রেটিক রিপাব্লীক ওফ কোঙ্গোদা ইং ২০১৪দগী হৌনা চংশিল্লকখিবা হিংশা য়াওবা লালহৌ অদুনা মরম ওইরগা মীওই কয়া শীহনখি। ঙরাং নুমিদাং থোকখিবা হিংশাগী থৌদোক্তা মীচম য়ালনা য়ামদ্রবদা মীওই ৩০ হেন্না শীহনখ্রে।

চৎলিবা চহী অসিগী মে থাদা লমদম অদুগী খুঙ্গং অমদা মীওই ১৬ হাৎখিবসু লৈখ্রে। তোঙান-তোঙানবা থৌদোক কয়াদা মীচমশিংগী পুন্সি মাংখিবা কয়া লৈখ্রে। লমদম অদুদা লাল হৌরিবা এলাইট দিমোক্রেটিক ফোর্স উগন্দাদা বেজ তৌবা আই এস আই এসকা শম্নবা কাংবুনি হায়রি।

# কালিখো পুল লৈখিদবগী মতাংদা অরুনাচলগী সেনিয়র পুলিস ওফিসার অমনা থিগৎলগনি

*ইটানগর, আগষ্ট ১৪ঃ*
অরুনাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর পেমা খন্দুনা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর কালিখো পুল লৈখিদবগী থৌদোক অদু আই জি পিগী থাক্তা লৈবা সেনিয়র পুলিস ওফিসারশিংনা থিগৎনবা য়াথং পীখ্রে।

খন্দুনা হায়, চীফ সেক্রেটরি সকন্তলা দোলে গাম্লিন দি জি পি নিথিয়ানন্দম অমসুং প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হোম) সত্যপাল গোপালনা সহর অদুদা ওইরিবা ফিভমশিং ঙরাং য়েংশিনখ্রে।

পেমা খন্দুনা মরী লৈনবা পুলিস ওফিসারশিংদা কালিখো পুল লৈখিদবগী মতাংদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অথুবা মতমদা পীরক্নবা খঙহনখ্রে। আই জি পিগী থাক্তা লৈবা ওফিসার অমনা থৌদোক অদু থিগৎপগী থবক চখগদৌরি।

পুল রিবেল কংগ্রেস এম এল এ অমা ওইনা ষ্টেট অদুদা চৎলিবা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ৯দা চীফ মিনিষ্টর ওইরকখি। অদুগুম্বা থৌওং অদুগী মখাদা তোঙান-তোঙানবা লুচিংবশিংনা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎলকখ্রবা মতুং সুপ্রিম কোর্টনা জুলাই ১৩দা ষ্টেট অদুদা কংগ্রেস লৈঙাক হঞ্জিনহনগদবনি হায়বগী য়াথং পীখি।

লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা কোর্ট অদুনা পীরকখিবা য়াথং অদুগী মতুংদা মতম অদুগী চীফ মিনিষ্টর নবান তুকি নুমিৎ নিনিশুবদা রিসাইন তৌখি। মদুগী মতুং পেমা খন্দু ষ্টেট অদুগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইরকখিবনি।

অরুনাচল প্রদেসকী গভর্নর জোয়োতি প্রসাদ রাজখোৱাগী মতুং ইন্নদি নবাম তুকি চীফ মিনিষ্টর ওইবগী ফিভম লৈত্রবা মতুং কালিখো পুল ষ্টেট অদুদা বি জে পিগী ঙাকলৌগা লোয়ননা ষ্টেট অদুদা চীফ মিনিষ্টর ওইরকখিবনি। মহাক চয়োল খরগী মমাঙদগী নাদুনা লৈখিবনি হায়রি।

# ওপরেসন চখরিঙৈদা অরুনাচল প্রদেশকী দি এস পি হাৎখ্রে

*ইটানগর, আগষ্ট ১৪ঃ*
অরুনাচল প্রদেশকী ইষ্ট কামেং দিষ্ট্রিক্টকী দি এস পি কাপ্পুনা হাৎলম্লে। লায়বক থিবা থৌদোক অমা ওইনা পুলিসনা থাংজ নুমিৎতা সয়াং টাজো লমদমদা ওপরেসন চখবদা ওফিসার অদু লৈখিদবনি।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না মীওই অদু লৈখিদ্রে হায়বা চুম্লে। পাউ অসিগী মতুং ইন্না কামদকনা সব ইন্সপেক্টর অমসুং কনষ্টেবল ৩গা লোয়ননা অরানবা তৌবা মীওই কয়া লৈরে হায়বা মফম অমদা চংশিল্লুবদা নোংমৈ কাপথোরকপদগী ওফিসার অদু লৈখিদবনি।

লৈখিদ্রবা দিপ্যুতি এস পিগী হকচাং অদু ইষ্ট কামেংগী হেদ ক্বার্টরদা পুরকখ্রে। পুলিস ওফিসার টাওগুংয়াংফো দিপ্যুতি এস পি বেমাটো কমদক লৈখিদবগী থৌদোক অদুদা চীংনবা কয়া লৈরি।

মতম খরগী মমাঙদা জেল থুগায়দুনা মীওই কয়া চেনখিবগী ৱাথোক লৈখ্রে। হন্দক দিপ্যুতি এস পি লৈখিদবগী মতাংদা মীয়াম্না অকনবা খোল্লাউ লাউরকপগা লোয়ননা মরাল লৈবা মীওইশিং ফাননবা তকশিল্লক্লি হায়রি।

# গুৱাহাটি ইন্টর্নেসনেল এয়ারপোর্টতা বোম পোকখায়হন্নবা থৌরাং তৌরম্বগী মচাকশিং ফাগৎখ্রে

*গুৱাহাটি, আগষ্ট ১৪ঃ*
ইন্দিপেদেন্স দেগী মাংওইননা এল জি পি ইন্টর্নেসনেল এয়ারপোর্টতা চাওনা বোম পোকখায়হন্দুনা এটেক চখনবা হোৎনরম্বা থৌশিল অমা পুলিসনা লাকশিনবা ঙমখ্রে।

ঙরাং নুমিদাং মোটোর সাইকল তোংদুনা লাকপা এক্সট্রিমিষ্ট অনীনা পোকখায়বা য়াবা মচাকশিং য়াওবা বোক্স অমা পুলিস অমসুং সি আর পি এফকী অপুনবা খূৎপু অমদা চেক তৌরিবা লোকোপ্রিয়া গোপিনাথ বোরদোলাই এয়ারপোর্টকী চেক পোইন্টদা লংশিল্লমখি।

লংশিল্লমখিবা বোক্স অদু চেক তৌবদা শক্তি লৈবা বোম অমসুং গ্রেনেদ ৩ য়াওরম্বা থেংনখি। বোম দিসপোজেল সক্বাদনা অশোয় আঙাম থোকহন্দনা বোমশিং অদুগী মৈনা শৎখি।

অসামদা মিলিটেন্টশিংনা হৌখিবা খরগী মমাঙদগী হিংশাগী থৌদোক চখনবা হোৎনরকপা উখি। অদুগুম্বা থৌওংশিং অদুগী মনুং চন্না ঙরাং নুমিদাং শক্তি লৈরবা বোমশিং অদু হুনজিল্লমখিবনি।

অৱাং থংবা অসামগী টিন্সুকিয়া দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ফিলোবারি বাহবোম খুঙ্গংদা অতৎ অখম লৈতনবা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক্তা মীওই ৬ অশোক অপন নংখি। অদুগা মিলিটেন্ট অনী হাৎখি হায়রি।

লমদম অদুমক্তদা শগোলশেন নুমিৎতা মিলিটেন্টশিংনা আই ই দি বোম অমা ফিলোবরি বাই পাসতা পোখায়হল্লকখি। থৌদোক অদুদা মীওই অমা শোকখি হায়রি।

# এয়ারস্ট্রাইক চখরকপদা এলেপ্পোগী মীচম ৫১ শীরে

*বৈরুট, আগষ্ট ১৪ঃ*
সিরিয়াগী এলেপ্পো সহরদা থোক্লিবা লালগী শরুক অমা ওইনা এয়ারস্ট্রাইক চখরকপা অমসুং সেল কাপশিল্লকপদা ঙরাং লমদম অদুদা লৈবা অঙাং ৪ য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ৫১ শীখ্রে হায়না মোনিটরিং গ্রুপনা ফোঙদোরক্লি।

সিরিয়ান এয়ারফোর্সনা এলেপ্পো সহরগী নোংপোক থংবা রিবেলশিংনা খুদুম চনবা মফমশিংদা এয়ারস্ট্রাইক চখবদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৫ শীখি। অদুগা রিবেলশিংনা লৈঙাক্না খুদুম চনবা নোংচুপ থংবা শরুকশিংদা সেল কাপশিল্লকপদা মীচম ৯ শীহনখি হায়না সেরিয়ান ওবজার্বেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসনা ফোঙদোরক্লি।

সিরিয়া অমসুং রসিয়াগী অপুনবা খূৎপুনা এলেপ্পো প্রোভিন্সকী নোংচপ থংবা শরুক্তা লৈবা সহরশিংদা ষ্ট্রিং ওপরেসন চখবদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৭ শীখ্রে হায়রি।

বৃটেনদা বেজ তৌবা সিরিয়ান ওবজার্বেটরি ফোর হ্যুমেন রাইটসকী মতুং ইন্না লমদম অদুদা থোক্লিবা লাল অদুনা মীচম কয়াগী পুন্সি মাংহনখ্রে। রিবেলশিংনা খুদুম চনবা সিরিয়াগী শরুকশিংদা সিরিয়া লৈঙাক অমসুং রসিয়াগী খূৎপুনা অকনবা মওংদা এয়ারস্ট্রাইক চখরি। মদুনা মরম ওইরগা লমদম অদুদা লৈবা মীচম কয়া শীহনখ্রে। অদুগা মিল্লিয়ন ২ হেনবনা লৈবাক অদু থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখ্রে।

ঙরাং নুমিদাং সিরিয়াগী লানফম অমা ওইরিবা এলেপ্পোদা সেল কাপশিল্লকপা অমসুং এয়ারস্ট্রাইক চখরকখিবনা মরম ওইরগা অঙাং য়াওনা মীওই ৫১গী পুন্সি মাংখি হায়রি।

# য়েমেনগী স্কুল অমদা আরবকী চুংশিন্নবা কাংবুনা রেদ চখবদা অঙাং ১০ শীরে

*সানা, আগষ্ট ১৪ঃ*
সাউদিনা লুচিংবা কাংবুনা রিবেলশিংনা খুদুম চনবা অৱাং থংবা য়েমেনগী শরুক্তা এয়ারস্ট্রাইক চখবদা য়ামদ্রবদা অঙাং ১০ শীখ্রে। অদুগা ২৮ হেনবনা অশোক অপন নংখ্রে হায়রি।

সাদা প্রোভিন্সকী মনুং চনবা হায়দানদা লৈবা কোরানিক স্কুল অমদা চখরকখিবা এয়ারস্ট্রাইক অদুনা মরম ওইরগা অঙাং ১০ শীহনখি। অদুগা ২৮না অশোক অপন নংখি।


লৈখিদ্রবা অঙাংশিং অদু চহী ১৫গী মখাদা লৈবশিংনি হায়না এম এস এফকী ৱাঙাংলোই মালক সাহেরনা ফোঙদোরক্লি।

সাহেরনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা শোক্লবা অঙাংশিং অদু ফিল্ড হোস্পিটাল হায়না খঙনবা স্কুল অদুগা নক্নবা হোস্পিটাল অমদা লায়কন্নখি। তুংদা অঙাংশিং অদু পাব্লিক হোস্পিটালদা থংদোক্তুনা লায়কন্নখি। ইরাননা শৌগৎপা হাউথি রিবেলশিংনা চখরকখিবা এয়ারস্ট্রাইক অদুদা লৈখিদ্রবা অঙাংশিংগী ফিনা কুপ্লিবা অশিবা হকচাংশিং ফেসবুক্তা থাগৎলক্লি। হাউথিগী ৱাঙাংলোই মুহামেদ অব্দুল সলামনা হায়, লালগী প্লেনশিং অদুনা জোমা বিল ফাবেল স্কুল অদুদা অতম্নবা এটেক চখরকখি। মদু শাখিবা ক্রাইম অমনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

য়ুনাইদেট নেসন্সকী চিলদ্রেন এজেন্সি (য়ুনিসেফ)না অঙাং কয়া শীখ্রে হায়বদু কনফার্ম তৌখ্রে। লোয়না লোয়ননা লৈবাক অদুদা হৌখিবা চয়োল কয়াগী মমাঙদগী খূৎ থোক্নবগী থৌদোক থোকখি। মদুদা এয়ারস্ট্রাইক চখরকপনা মরম ওইরগা অঙাং কয়া শীহনখ্রে। অদুগা কয়ানা অশোক অপন নংখ্রে।

য়ুনিসেফনা খূৎ থোক্নরিবা কাংলুপ অনীমক্তা অন্তরজাতিগী ওইবা নিয়মশিং ঙাক্ননবা আপিল তৌখ্রে। মদুগী মনুংদা মীচমশিংগী পুন্সি অমসুং মাল-চাংশিং মাংহন্দবা হায়বসু য়াওরি। চৈরকসিদা সাউদি অরাবিয়ানা অশাওবগা লোয়ননা চুংশিন্নবা কাংবুগী ৱারেপ অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।


মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং
গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া



ইন্দিয়া
অঙকপা পূৱারি অমগী লোইনরিবা


নিংখা তন্নবা ইন্দিয়া ঙসিদি চহী ৭০ শুরে – ইমা লৈবাক অসিনা ১৯৪৭গী ওগষ্ট ১৫দা বৃটিশ কোলোনিয়েল রুলদগী নিংখা তমখিবনি।

অদুগুম্বা খোঙজং অমদা থৱায়না পোন্থা পীদুনা ইন্দিয়ানশিংগী নিংখা তম্বগী মঙলান অদু মংফাওনহনখিবা মাঙলমচৎকী পুৱারীশিং অদু নীংশিংদুনা নুমিৎ অসি পাঙথোকচৈ।

পুম্নমক পুনশিন্দুনা লৈবাকসিগীদমক থৱায় কখোকখ্রবা লৈবাক নিংবশিংগী মরমচৎশিং অদুদা ঐখোয় থৌরমসি পাঙথোকচৈ।

ঙসি মালেমদা মমিং চৎলবা হৈথোই-শীংথোইবা কয়ানা পুল্লবা কল্লক্লরবা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওই মখল কয়াগী তোঙান-তোঙানবা লমচৎ শাজৎ অমদি ধর্ম্মা অদুনা– ইন্দিয়া অমত্তা ওইবগী মরমচৎ অদু ঙসিসু লৈরি হায়বসি উৎলে

davp 22202/13/0018/1617



লৈবাক শীনথুংনা পাঙথোক্কদবা থৌরমশিং :

- ইন্দিপেদেন্স দেগী থৌরমগা মাংওইননা মরু ওইবা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরশিংদা জাতিগী ফিরালগী মচু অহুমগী কেন্দল লাইট মীয়াম্না পুদুনা চৎকদবনি
- মিনিষ্টরশিং অমসুং মীয়ামগী লুচিংবশিংনা পুৱারিগা মরী লৈনবা মরু ওইবা মফমশিং অমসুং নিংখা তম্বগী খোঙজংদা মরু ওইবা মফম ওইরিবশিং অদুদা চৎতুনা য়েংশিনগদবনি
- আই এন এদা য়াওখিবা মমিং লৈরবা মীওইশিং, ফ্রিদম ফাইটরশিং, সহিদ ওইখ্রবশিংগী নক্নবা মচা-মশুশিং অদু কৌখৎতুনা মখোয়দা ফেলিসিটেসন তৌগদবনি
- খাদিগী পোৎলমশিংগা লোয়ননা ইয়োংগী পোখোকশিং শাদুনা অমসুং লমদমগী মতুং ইন্না খুৎশা হৈবগী পোখোক কয়া পুথোক্লিবা মীওই পুম্নমক্কী পোখোকশিং অদুগী ওইবা মেলা /ইক্সিবিসনশিং পাঙথোকপা
- নিংখা তম্বগী খোঙজংশিং অদুগা মরী লৈনবা কলচরেল প্রোগ্রামশিং পাঙথোকপা
- খুঙ্গংগী থাইনবগী মশান্নশিং অদু পুথোকপা

*"ঙসি ঐখোয়না নিংতমগী স্বর হোঞ্জবা ঙম্নবগীদমক থৱায়না পোন্থা পীখ্রবশিং অদুবু নীংশিংসি। ঙসিদি ঐখোয় অমত্তা ওইনা লেপ্পুনা থবক তৌমিন্নরগা ইরৈচাশিং অসিবু চাওখৎ লম্বীদা পুখৎনবা হোৎনবা হায়বসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবা অমনি।"*

– নরেন্দ্র মোদি

Stay Connected with the Prime Minister
Give missed call on 1800 20 90 920 to download the Narendra Modi App


## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-671**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 7 | 8 | | | | | 5 | 1 |
| 6 | | 4 | | 5 | 7 | 3 | | |
| | | | | | 6 | | 8 | 7 |
| | | 6 | | | 2 | 5 | | |
| | | 9 | | | | 8 | | |
| | | | 1 | 6 | 8 | | | 2 |
| | 3 | 1 | | 4 | | 2 | | |
| 4 | | 2 | 3 | | | 7 | | |
| 7 | 8 | | | 2 | | | | 4 |

**সনা-সুদোকু- ৬৭০ গী সোল্যুস**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 7 | 8 | 4 | 9 | 3 | 6 | 5 | 1 |
| 6 | 1 | 4 | 8 | 5 | 7 | 3 | 2 | 9 |
| 5 | 9 | 3 | 2 | 1 | 6 | 4 | 8 | 7 |
| 8 | 4 | 6 | 9 | 7 | 2 | 5 | 1 | 3 |
| 1 | 2 | 9 | 5 | 3 | 4 | 8 | 7 | 6 |
| 3 | 5 | 7 | 1 | 6 | 8 | 9 | 4 | 2 |
| 9 | 3 | 1 | 7 | 4 | 5 | 2 | 6 | 8 |
| 4 | 6 | 2 | 3 | 8 | 1 | 7 | 9 | 5 |
| 7 | 8 | 5 | 6 | 2 | 9 | 1 | 3 | 4 |


DIRECT ADMISSION IN INDIA & ABROAD
MBBS in BANGLADESH
DHAKA, CHITTAGONG, RANGPUR & RAJSHAHI
MBBS in INDIA, KAZAKHSTAN & CHINA
10th Times Installment to be paid Within 5 Years
NO DONATION
NO PROCESSING FEE
NO VISA FEE
EDUCATIONAL LOAN AVAILABLE
# NOTICE #
No Free Laptop, No Free Mobile
No, Free For Travelling Fare
No Free Tab
GET SCHOLARSHIP BENEFIT OF UPTO 20 LACS
BDS in INDIA (no donation) Top Colleges Recognised by DCI
B. Tech/BE (☞ Rs. 70,000/ yr) Civil, Mech, EEE, ECE, IT, ARCHITECTURE & CSC
B.Sc Nursing, GNM & BPT (Physiotheraphy) at Guwahati & Bangalore
Agriculture, Forestry & Horticulture at Dehradun
Regional Office :- Office Regd. No. 548/SR(IE)
LUWANG EDUCATION TRUST
Palace Compound Near Pioneer Academy, Opposite SBI ATM Booth, Imphal East
✆ 9856167106 ✆ 8259867645
SL/B/14th July- 20th Sept. 2016